# খম্বা থোইবী শৈরেংদা *'লৈ হেকপা'* : লৈরাং লৈখল কয়াবু ঙাক শেল্লিবা থাংজিং চীংজাও পাঙ্গনবা - ১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লৈরাংনা ফূগাইনা শাৎপা উরগা ঙাওজবা, পেঞ্জবা, মিতাজবসে খোইমুখক্তগী নত্তে, তাইবঙ মীওইবসুনি। চীংঙু লাইসুনি, হৈনম লৈনম তাজরগা মচা মনাইশিংদা থৌজাল লাইজ খিকথবীরক্কদবোই থাজনৈ। মদুননি লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংবু ঈরাৎ থৌনিজবদা লৈরাং নিংথিবা, হৈরাং অথোইবা কৎনরিবসি। লৈগী মগুন্দি শীংথাবা শৈথাবতনা ৱাৎলবনি। থায়না ইপা-ইপু হাক্তক্তগীনি, মীরোন মথং মথং লেপ্লাইদনা মখল মথেল লৈরাংশিংবু শৈথাদুনা লাক্লি। কয়াদা ফজনা শৈথারিবীরল্লিবা, লৈরাং কোম্বীরৈ লৈরোলবু খুনুং শৈশকপী ইমা ইবেনীনা, *- হা লৈরাং লৈনুংশি/শীংথানবী লৈরাংনি/মৈতৈ লৈমা ইমাগী/লৈকোন্নুংদা শাৎপীদো/মতাং নত্তে শোন্দ্রিবী/মতম নত্তে শক্ত্রিবী/শিংঙেল লৈকা ফল্লক্লে/লৈরাং ফূগাইনা শাৎলক্লে/শজিবু থাগী থানিলনি/লমতা থামৈ ৱায়বদা/অৱা নোংদি ফেনবদা/মালং চৈরোনবদা/লাইজ খিক্লেন ঈরোইনা/শিংঙেন মানা শাৎপদা/পাইমা পূক্লিং নুংঙোল্লি।* মসিনসু লোইবা নত্তে, অতোপ্পা শৈথা কয়া অমসু ৱাৎপা কৌবা নাইদনা লৈরি। ঙসিদগী চহী নিফু য়াংখৈমুক্কী মমাঙদা ওইরম্বা য়াই, ওল ইন্দিয়া রেদিও অমদি ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম কয়াদা নান্দৈবম সুশিলাগী নুংশিরবা শৈহেক্তা শকখিবা কাউঙমদনা থম্মোয়দা নিন্দুনা লৈরিবা ঈশৈনি *- লম্ফেল নাৱা কোম্বীরৈ, হায়নবদাই লৈনুংশি।* চৈরাওবা মতম ওইরকপসিদা কোম্বীরেখকপু লৌখৎচবনি। শৈথাদবা লৈরাং য়াওদে, লৈরাংশিংগী মগুন্দুননি। অসুক ফজখ্রবা, লৈশক লৈচু চঙখোল্লবা, লৈনম্মা পূক্লিং হকচাং তেকখৎহল্লিবা লৈরাংশিংবু মফম মতম য়েংদনা পঙহেক হেক্তোকপা কয়াসু তাইবঙ মীওইলক্তা য়াওরি। মদুদনি ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র, দিরেক্টর, পিপল'স ম্যুজিয়ম ককচীংগী খোর্জৈদগী পেঞ্জদবা থোরকখিবা ৱাহৈশিংনি, *লৈদি থানীংদবা, মীগীদগী অশাৎপা লৈ হেক্তুনা লাইদা কৎনীংবা।* মানা ফোঙদোক্লিবসি লৈবু নুংশিজবা অমদি মগুন খঙবীয়ু হায়বগী পাউজেলনি। তৌবতবু ঐ খঙদে, মী হায়বা লৈতে, ঐ ঐনা নীংজবা, থাজজবা লাইনিংথৌগী মফমদা থৌনিজবা মতমদা লৈ মনা অমতং ওইরবসু য়াওদ্রবদি মহয় য়ৌরোইদবোই হেক মনীংই। থায়নদি থৱায় পানবশিং তাইবঙ মীওইবা ফাওবা শরেন চল্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। হৌজিক ফাওবদসু অদুম্মক চৎনবা য়াওরি। অদুবু হৈরাং-লৈরাংনা মহুৎ শিনখিবসু কোঙ্গায়নি। শম্মা হায়রবদা লমদমসিগী লাইথৌ-তীম্থৌগী থৌরমদা লৈ মখল কয়া য়াওদবা য়াদে। খুদম ওইনা ককচীং হরাউবগী লৈ লাংবদা নুঙ্গারৈনা মপূং ওইরি।

মণিপুরগী উমংলাই হরাউবগী মগুন লৈখ্রবা থৌরম অমনি *লৈ লাংবা* । লৈ লাংননবা লৈ, মীচম অমনা পাক হেক হেকপা য়াবা নত্তে। লৈরোয় মকোক/লৈরোয় হঞ্জবগী মথৌনি। থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈদদি মশক নাইবা ফম অমা ওইরল্লিবনি। খম্বা থোইবী শৈরেংগী *লৈ-হেকপা,* মণিপুরগী নাৎ-কলচর, লাইনীং-লিচৎ, চৎন-কাঙলোন্নচিংবগী মমি ফজনা তারিবা পন্দুপনি। লাইনিংথৌ থাংজিং হরাউবগী লৈ লাংননবা লৈ হেকপা চৎলমদাইদা খম্নুনা মৌপ্পা খম্বদা চেকশিন্না পুকমেন পাউমেঞ্জে। অশোয় অঙাম থোক্তনবা মচেমগী বর ফংজরবা মতুংদা খম্বা ময়ূমদগী থোরকই। কাংজৈ শান্নবদা মায়থীবগী মলোম থল্লিবা নোংবান্না লমন খুমগে তেমশিংনদুনা সরোংবুংদা খম্ববু ঙাইদুনা লৈ। মফমদুদা মখোয় অনী থেংনরবদা নোংবানগী মরৌ নমথাক হৌরকই, লৈবাক নিংথৌ অঙম অথৌ য়াওনা খন্নবনি হায়বা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম খম্বদা পাউদম্মী। মমাঙঙৈদা মাগী অপোকপগা খম্বা পোকপা পুরেম্বগা লৈ হেকপা চৎমিন্নবদা পুথাং পাথাং চৎনবী ওইনা অঙোমগী চান থক্লবা চয়োম্লচিংবা পূম্নমক কেগে মোইরাংদা শাইদাংলবা খুমন্না পুফম থোকপনা নোংবানগী অপোকপগী পোৎ পূম্নমক খম্বগী অপোকপনা পুরগা চৎলি হায়জিল্লি। অসুম্না চৎনদুনা লাকখিবা লীক্লম অদু কায়দনবা অমদি মপু সনা য়াথং ঙাকপা ওইনা মাগী পোৎলমশিংদু খম্বনা পুফম থোক্লে হায়দুনা মীনম্লম্মী। ৱাফম অদু লৈবাক নিংথৌগী য়াথং পুরান পুথোক্তুনা য়েংনবদা য়াওরম্বনি হায়দুনসু খম্বনা য়ানীংদবা উৎলম্মী। অদুবু অনম কনবা নোংবান্না নমদুনা পুহন্নবা হোৎনরকপদগী মখোয় অনী চিন্দা পাউদানরম্মী। খুন্থক-খুনখা, য়েৎ-ওই, নুপী-নুপা, হৌনবা-হৌনদবনচিংবগী ৱাফম পুশিল্লকপগা লোয়ননা অনীদু উংখৎনৈ। কাইনথংদা খম্বদু নোংবানগী মাঙ থারদুনা শাউনা চৎখ্রে। ইকায়বা খঙদবা নোংবান্নি, পাক হন্দে, অঙম তান্দুনা পোৎ অদু খম্বগী য়েৎ থংবা মরেংবান্দা নমদুনা য়ানশিল্লি। মাগী থৌদৌদুদা শাউবনা মৈ হৌরবা খম্বনা চয়োম অদু ফদোম তরেৎলোম লাপ্পা লংথোকখ্রে। মদুনসু পেন্দ্রে, লৈবাক নিংথৌ অঙম অথৌশিংদা হংনরুসি হায়দুনা নোংবানগী মশা শগল লাক্তুনা ফৈদোম তরামুক লাপ্পা চিংলগা পুরম্মী। 'ঙাইখো ইতাও! ৱা হায়গে' হায়না নোংবান্না খাল্লবসু অশাউবনা থুমহৎলবা খম্বা নেমথবা কৌবা নাইখিদ্রে। চোপ্পা নংলগদবা নোংবান্না খম্ববু থেমজিল্লি। মখোয় অনীনা নিংথৌগী মনাক্তা চত্তুনা ৱাফমদুগী মরমদা অচুম চুমদা হংনরিঙৈদা নুমিত্তুমা হৌখিদুনা লৈ হেকপা অমদি লৈ লাংবগী থবক কায়বগা, থবক অদু কায়দনবা মথং নুমিত্তা হংনবগা করম্বনা ফবনো হায়না হংলকই। মতাংদু য়ৌরকপদা খম্বসু অশাউবদু ফাথরদুনা অমুক চৎমিন্নরে। থাংজিং চীংজাউ কারক্তুনা শংব্রে লোক য়ৌরকপদা লৈরাং মখল মথেন কয়া শাৎলম্মী। খম্বনা লৈশিংদু হেক্লসি হায়রকপদা পুকচেল ফৎত্রবা নোংবান্না মফম অদুদি মাগী অপোকপনা শেম্বা অঙোমগী লৈফমনি হায়না শেমজিন শাজিন্দুনা থাজহল্লি। লৈমা নিংথৌনা লৈশক খঙবা অঙোম লৈফমগী লৈ ওইবনা ৱা থোক্লগনি হায়বদগী খম্বা পূক্লিং ৱারম্মী। মহাকপু নারক্তা থাজিন্দুনা কৈনা চাখ্রসনু হায়বা চপ য়ুংবা ৱাখলগা লোয়ননা পুরেম্বনা শেল্লম্বা লৈফমদি অৱাংবা চীংথক্লোমদা লৈবনি হায়না নোংবান্না মীনম্লম্মী। মতাউগী ৱাফম্বু থাজরবা খম্বদু অৱাংবা চীংথক্তা কাখৎখি। লম্বীসু মুৎশিল্লকপা, মতমসু থেঙজিল্লকপদা লৈ ফংদদুনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা পাঙদবা অয়াম্বা তাদুনা চোপ্লদ্রা হায়না নিংশা থিরকই। কায়নথংদা লৈ হৌবা মফম তাকপীরো হায়না পলেম পম্থৌগী মফমদা নিজরকখি।

লৈ হৌবা মফম থিবা ফংদবা অমদি লম্বী মাঙখিবনা ককঙাওনরবা খম্বনা কোয়না লৈনা য়েংলকপদা পঙলাপ লাপ্তুনা অহল ওইরবী চীংমী নুপী অমা মখূত্তা চৈশু পায়দুনা চৎপদু উরম্মী। থাঙ্গৈশেংবদি মহাক ইচম চম্বা নুপী অমা নত্তে। থাংজিং কোইরেল লৈমনা শাইওন তৌদুনা খম্বগী মতেং পাংলুরগে হায়না থোরকপনি। লাইনিংথৌ থাংজিংনা থারকপনি। খম্বসু নুপী অদু লাইরা মীরা হায়বদু নীংজিং মাংজিংনৈ। অদুবু অশেংবা খঙদোক্লগে খন্না ইমা হায়না মিংগৌরদুনা মানা চৎলিবদু অচুম্বা লম্বীরা হংলম্মী। চুম্মী হায়বা পাউখুম পীরদুনা মানা চৎলিবা লম্বীদুদা লাক্লনবা হায়রকখি। অহল অদুগী লৈফম অমদি কদাই তান্না চৎকদগে হায়বীরকই। মহাক মফমদুদা লৈ হেকপা লাকপনি হায়বদু ফোঙদোকপগা লোয়ননা মাগী অপোকপা পুরেম্বনা শেম্বীরম্মী হায়বা লৈফম অদু খঙলবদি তাকপীয়ু হায়জৈ। মাগী ৱাদু তাবদা তাকপীগে হায়না নুংশিনা লমজিংবীরকই। অঙকপদি খম্বনা মনাক্তা নকশিনগে খন্না তানখৎলবসু ফংবা কৌবা লৈতে। অসুম্না লাকপনা মাগী মতুং খম্বনা ইল্লগা লাকমিন্নবনা লোকচাউ অনী লান্দুনা পাইথলোক য়ৌরকখি। মফমদুদা য়ৌরে হায়রম্লগা অহল অদু মাঙথোকখ্রে। লোক মপান্দা ৱাং চাউরবা উনিংথৌ অমা হৌরম্মী। অদুবু লৈরাং হৌবদি উরমদে। 'মান্তক খুনগী ইমাবু' হায়না কৌজবসু খুম্বীরক্ত্রে। তাঞ্জা অদুদা থাংজিং লাইগী থৌইনশিন্নি, অকিবা খোঞ্জেলগা লোয়ননা নুংশিৎ মখল মঙানা ঙংনা লাউনা ক্লাক্তারোমদগী থাংজিং চীংশাং হূমদোক্লগে হায়বগী মওংদা শিৎলকখি। উজাউ পাম্বী অদুগী মখোঙদা চঙলক্তুনা থূপ্লিঙৈদা উসা তেক্লক্কদ্রা হায়না য়েংখৎলি। খোঙ্গল, মেলৈ, য়েরুমলৈ, শয়িলৈ, ক্লাকলৈনচিংবা উরৈ ময়াম অমদি লৈশংনচিংবা শাৎপদু নুংশিৎকী শউম কনবনা উনানা হেক হেক খনজিনখিদুনা মপূং ফানা, ময়েক শেংনা উবা ঙমদে। কাইনথংদা লৈরাং লৈনম য়েল্লকপদা কদাইদা শাৎলিবনো হায়না কোয়না লৈনা য়েংলকপদা উথক্তা উরৈ মখল মথেন ময়াম অমা নপ নপ্তুনা পূমথন থন্না শাৎলিবদু উরুবদা ঙমখৈ লৈতনা হরাউজরম্মী। তাঞ্জা চানা নুংশিৎতুসু নেমথখ্রে। অৱাংবা উথক্তুদা কমদৌনা কাসিগে খল্লিঙৈদা উজাউ অদুদা থাক থাক হক্লগা কাফম শেমদুনা লৈবদু উরে। লৈবাক খরা তৌথোক্লগা মাগী চয়োমদু থল্লগা খীক্লোই মনা খরনা কূপশিন্দুনা মথক্তা নূংপাক অমনা নল্লগা থম্মী। মানা পুরকপা থাংজৌ অদু মনাক্তা য়ুংশিন্দুনা থল্লগা উ অদুবু অপোকপা পম্থৌ পুরেম্বগী মরুপ, মপামক্লি খন্না খুরুমজরগা লাইবক কত্তুনা লৈ হেক্লবগীদমক উজাউ অদুদা কাখৎখ্রে। অদুক্কী মতিক ৱাংনা কারবা মতুংদা মখাদা য়েংথরকপদা অহল অদু অমুক লৈরম্মী। কদায়দা চৎলুবগে হংবদা লোক্তা ঈশিং থকপা চৎলুবনি খুম্লকপগা লোয়ননা মাগীদমক হৈয়িৎ হেকপীরকই, লৈ হেকপা লোইরগা কূমথরকপদা চারো হায়না উখোঙ অদুদা থম্বীরে। খম্বনা অসুম কারকপদা উগী কারোং য়ৌরদুনা উরৈ মখল মখলশিং অদু হেক্লম্মী।

মতম অদুদা উখাদা লেপ্তুনা লৈরিবা মান্তক ইমা অদুনা হায়রক্লম্মী মদুদি নহাক্না হেক্লিবা অদু লৈপাক্তা থাদরক্লবদি নূংপাক মথক্তা তাশিন্দুনা ফজররোই, পত্তুনা লৈমন চল্লগনি। মদু থোক্তনবা হায়দুনা ঙবোং অমা তিংথোক্তুনা য়ারগা মদুদা থাদরক্লবা তাকপীরম্মী। খোঙ্গল, মেলৈ, য়েরুমলৈ চরোং ওইনা হেক্তুনা অমদি লৈশংবুনা মপান মরা য়াওনা ফূক্লগা ঙবোং অদুদা থাদরকই। লৈ হেকপা লোইরকপা মতাংদা চীংমী ইমাদুনা অসুম্না তাকপীরকই মদুদি লৈরাংশিংদুনা শাৎলকপদু পুরেম্বগী হাক্তক্তগীনি। চহী খুদিংগী শাৎপা লৈরাংনি, পূম্নমক্তু হেক্লগা কৎপা ঙম্বা নত্তে, ঙসি মানা লাক্লিঙৈদা মপান মউ য়াওনা চীংঙু মাগী মফমদা কখোক্লম্নবা পাউতাক পীরকই। খম্বসু য়াথংদু হীক্তোকখিদে, মপুগী খুয়াখাদা কৎচখি। অঙকপনি, মানা উথক্তগী কূমথরকপদা চীংমী ইমা, হৈয়িৎ অমদি ঙবোং অমত্তা লৈরমদ্রে। লৈরাংশিং অদুদি মপোপ অমত্তা কায়দনা, লৈ অমত্তসু তেক্তনা লৈরম্মী। লৈশং লৈরাংশিং অদু নূংপাক্তা মরা ৱায়শিল্লম্লে। মতৌ অদু উবদা মাবু লমজিংবীখিবীদু তাইবঙ মীওইবা নত্তে, খোয়ুম লাইনি হায়বদু খঙবা ঙমখ্রে। লৈরাংশিং অদু ইরেঞ্জনা খোমজিল্লি। উনপ কৌবা ৱা অমা য়াল্লগা খায়দোক্লগা পায়া শিদুনা পোলাং অমা শাখি। লৈরাং লৈখলশিং অদু মাগী মাগী কাখল কাখল নাইনা পোলাং মনুংদা হাপচিল্লম্মী। ময়ামদুগী মথক্তা পোলাং মমায়মক্তুদা ময়াম্না পাল্লোইদবা চন্নবীদ্রবা উরেল লাবা কৌবা লৈ ময়াম অমা থম্মী। খম্বা লৈশিংদু পুরগা ময়ূম কেগে মোইরাং য়ৌনবা খোঙশাল্লক্লে। নাকল অমরোমদা মান্তক ইমাগী শাইওন লৌখিবা থাংজিং কোইরেল লৈমনা খম্বনা লৈ হেকপা ফংজখিবদু লাইনিংথৌ থাংজিংদা পাউদমজৈ। মতৌ অসুম্না লাইনীংথৌগী থৌজাল ফংলবা খম্বনা লৈ হেকপা হল্লকপা, নোংবানগা থেংনবা, মতুং তারকপদা করি করি থোকখিবা, মখল মথেল ৱারী কয়াসু লৈরি। ●

# কোভিদ-১৯ থিংনবা অকক্লবা হীদাক লৈত্রি


- দা. মো. মুসতাক অহমদ -

'সাইন্টিষ্টশিংনা কোভিদ-১৯ (সরস কোরোনাভাইরস-২) করম্না কদাইদগী শন্দোরকপগে, করম্না লায়েংগনি, লায়না অসিদগী মীওইববু করম্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা অশিবগী খয়াত্তগী কনগদগে হায়বগী মরমদা কন্না থিজিনবা লেপত্রি। ভাইরস অসিবু থিংনবা হীদাক নৎত্রগা ভেক্সিন পুথোক্ত্রিবনা মরম ওইদুনা অনাবশিং শিবদগী কনবা ঙমদ্রি। মালেমগী লৈবাক ময়ামদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবা ভাইরস অসি থিংনবা হোৎনবা নৎত্রগা অনাবা অদুবু মওং খরদা মতেং পাংদুনা অনাবা নমথনবা হোৎনবা নৎত্রগা খঙলবা অনাবা অদুবু তোঙান্না (ক্বারন্টাইন) থমদুনা লায়েংনবা হোৎনবা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ লৈত্রি।

কোরোনাভাইরস মখল ৭ (তরেৎ) কী মনুংদা য়াম্না তমথীবা ভাইরস মখল অহুম (৩) শুই। মখলশিং অদুদি - (১) SARS (Severe Acute Respiratory Syndrom) CoV : মসিবু পুদুনা চৎলিবা জীব শেকপী (Bat) (২) MERS (Middle East Respiratory Syndrome) CoV : মসিবু পুদুনা চৎলিবা জীব - উট (Camal) অমসুং (৩) SARS CoV-2 or Novel Coronavirus or COVID-19 : মসিবু পুদুনা চৎলিবা জীব শেকপী। অহানবগী মখল অসি চাইনাদগী কুমজা ২০০২দা, ২শুবা ভাইরস অসি সাওদি আরবতগী কুমজা ২০১২দা অমসুং ৩শুবা ভাইরস অসিনা চাইনাগী ৱুহান হায়বা হুবৈ সহরগী মফমদগী কুমজা ২০১৯দা হৌরকপনি হায়দুনা থাজনরি। শেকপী হায়রিবা জীব মখল অসিগা সরস (এস এ আর এস) ভাইরস মখল অসিগা য়াম্না নক্না মখোয়গী জিন (Gene) দা চাদা ৮০ হেন্না মান্নৈ হায়রি। সরস কোরোনাভাইরস-২ অসি কুমজা ২০১৯দা পুথোকপনি হায়দুনা কোভিদ-১৯ হায়না খঙনৈ। কোরোনাভাইরস মখল ৩ অসি মীওইবদা হকচাংগী শরুক অমা ওইরিবা অপ্পর রেস্পিরেটরি ত্রেক্ট অমসুং লৱর রেস্পিরেটরি ত্রেক্টকী মফমশিংদা নাহনবা লায়না মখলনি।

কোভিদ-১৯গী মখল অসিনা নুমিৎ ৩-৭ অমসুং য়াম্লবদা ১২-১৪নি ফাওবগী মনুংদা মী অমদা মপূং ফানা নারে হায়বা খঙবা ঙমহল্লি। অনাবা মী অমনা অতোপ্পা মীওই মশীং ২.২দা (২দগী ৩ ফাওবা) শন্দোকপগী ওইথোকপা হায়বদি রেট ওফ ত্রান্সমিসন (আর ও) ২.২ মশীং ওইহল্লি হায়রি। লায়না অসিদগী হেঞ্জিনখ্রবদি কনবা ঙমদনা অশিবগী খয়াত্তা মীওইববু তাহল্লি। ভাইরস মখল অসি মৈশা অমসুং নুংশাগী মৈশা (অলত্রাভাইওলেট রে) দা খাঙবা ঙমদে হায়রি। মসিবু ক্লোরিন য়াওবা ক্লোরিন টেব্লেট, ৭৫% ইথানোল, লিপিদ য়াওবা মহী অমদি সাপোন অমসুং মাগী মখলশিং, পরওক্সিটিক এসিদ (Peroxitic acid) অমসুং ক্লোরোফোর্ম কেমিকেলশিং শীজিন্নদুনা হাৎপা ঙম্মী (দল্লিয়ু ঐচ ও)। কোরেনাভাইরসনা অতোপ্পা জীব পানবশিংদা লায়না মখল কয়ানা নাহল্লি। লায়নাশিং অদুদি শ্বর হোনবদা ৱাহনবা (রেসপিরেটরি প্রোব্লেম), মরীলদা নাহনবা (ইন্টেরিক), লিভরদা নাহনবা (হেপাটিক) অমদি ন্যুরোলিজিকেল লায়না মখলশিংনি।

লায়না শন্দোরকপগী মওং অসি মখল অহুম (৩) দা য়েংবা য়াই। (১) শাদগী - মীওইবদা, (২) মীওইবদগী - মীওইবদা অমসুং (৩) সরস কোরোনাভাইরস (এস এ আর এস) তা মুটেসন হায়বদি মাগী কেমিকেল কম্পোজিসন্দা হোংদোক-হোংজিন থোকহনবদগী মীওইবদা শন্দোরকপনি। অনৌবা ভাইরস মখল অসি কোয়রোক কোয়বা (Round), য়েরুম মওং মানবা (Elliptical) অমসুং মমাঙগী মখল অনীসিদা য়াওদবা মশক মওংদা থেংনৈ হায়রি। ভাইরস অসি দাইমিটর



অয়েকপা ১ : কোভিদ-১৯

(দি এম) ৬০-১৪০ নানোমিটর এন এম) ওই। মসিগী মখল অসিদা সিঙ্গল স্ত্রান্দেদ রাইবোজ ন্যুক্লিক এসিদ (ssRNA) গা লোয়ননা ২৯৮৯১ ন্যুক্লিয়োটাইদস (Nucleotides = য়ুরাসিল, থাইমিন, গুবানিন, সাইটোসিন) না এমাইনো এসিদ (Amino acid) ৯৮৬০ গী পাউ পুদুনা য়াওই হায়রি। মসিগী রাইবোজ ন্যুক্লিক এসিদ (আর এন এ) মখল অসি অতোপ্পদগী খ্বাইদগী চাউবা মখলনি হায়। ভাইরস মখল অসিনা মাগী থুংফম ওইরিবা মীগী হকচাংদা য়াওবা ভেসিকল (Vesicle) শিং শীজিন্নদুনা রেপলিকেসন ত্রান্সক্রিপসন রিএক্সন (Replication Trenscription Reaction) থোকহন্দুনা অপিকপা (স্মোল) রাইবোজ ন্যুক্লিক এসিদ (sRNAs) মরাং কায়না পুথোকহল্লি অমসুং ভাইরস অসিবু মশীং হেনগৎপদা মতেং পাংই। রেপ্লিকেসন তৌবা মরম্না ভাইরস অসিগী ষ্ট্রকচরেল অমসুং নন-ষ্ট্রকচরেল প্রোটিন হেন্না পুথোক্লকই। নন-ষ্ট্রকচরেল প্রোটিনশিংনা হকচাং মনুংদা য়াওবা লায়না ঙাকথোক্লবা ইম্মুন সিষ্টমনা মহৌশাগী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা মওং অদু লোইশিনবদা মতেং পাংঙি। ষ্ট্রকচরেল প্রোটিনশিংনা ভাইরস অমুক তাশিন-খোমজিনবদা মতেং পাংই। ভাইরস অসিগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবা এস ১ অসি গ্লাইকান (Glycan) + প্রোটিননা শেম্বনি অদুগা এস ২ অসিনা ভাইরস মশাগী পেপটাইদ ফ্যুজন অমদি সাইটোপ্লাজমগী মফম ঙাক্তুনা থম্বদা মথৌ তৌরি। ভাইরস অসিগী মেম্ব্রেন অসি লিপিদ অনী (দবল) পূনশিল্লগা শেম্বনি। সাইন্টিষ্টশিংনা সরস কোরোনাভাইরস থিজিনবদা ভাইরস অসিগী মপানথংবদা য়াওবা স্পাইক (ময়োৎ) অমসুং মেম্ব্রেন (কুয়োম) শিংদা জিনেটিকেল মুটেসন (হোংদোক-হোংজিন) থোকখ্রে হায়। হংবা য়াবদি অনৌবা ভাইরস অসি অহানবা পুথোকখিবা সরস ভাইরসতগী মুটেসন তৌবদগী ওইরকপ্রা হায়বা অসিনি।

**অনাবগী মখল অমসুং লায়েং পথাপ :** চাইনাদগী ফংবা রিপোর্টরশিংদা কোভিদ-১৯না নাবগী মখল অসি অহুম থোক্লা য়েংবা য়াই। (১) খরনা হন্থনা নাবা (৮১%) : ন্যুমোনিয়া (লোক খুবা, শ্বর তেন্না হোনবা অসিনচিংবা) অমসুং নন-ন্যুমোনিয়ানা নাহনবা মখলশিং (২) ময়ায় ওইনা নাবা (১৪%) : ৱানা শ্বর হোনবা (Dyspnea) অমসুং (৩) হেনজিন্না নাবা (৫%) : শ্বর হোনবা ঙমদে, বি পি হন্থবা মরমনা লায়না ঙাকথোকপা ঙমদে (Septic shock) অমসুং হকচাংগী/পূক্লুংগী মরুওইবা ওর্গান ময়াম অমা মথৌ তৌবা ঙম্লক্তে।

মালেম মশা পূম্বা ফিজিসিয়নশিংনা উৎথোরক্লিবা লায়না মওং য়েংলগা লায়েংবগী থবক চথুরি। চাইনাদা মায় পাক্লা লায়েংবদা শীজিন্নরিবা হীদাক খরা পনবা য়াবদি লোপিনাবির (Lopinavir), রিতোনাবির (Ritonavir), ক্লোরোকুইন (Chloroquin) অমসুং হায়দ্রোক্সি ক্লোরোকুইন (Hydroxy-Chloroquin) নি। অদুগা রেনদেজভির (Rendezvir) হায়রিবা হীদাক অসি ভাইরসকী আর এন এ ময়াম পুথোকপা থিংবগী কান্নরে হায়রি।

অরোইবগী পাম্বৈশিংগী মনুংদা আই সী য়ুদা ভেন্টিলেটর শীজিন্নদুনা নিংশা শ্বর হোলহনবগী লায়েং পথাপ লৌখৎকনি। মসি হকচাংগী মহৌশাগী য়াওজরকপা লায়না-তীলনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী শক্তি অদু লোইখিদুনা ওইরকপনি। লায়না অসিদগী চাইনাদা মী শিখিবগী চাং অমসুং থোকখিবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইরগা লি (Li) অমসুং মাগী কাঙবু (জন্যুৱারী ২০২০) না ন্যু ইংলেন্দ জর্নেল ওফ মেদিসিনদা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না লায়না লায়চৎ অসিদগী শিবগী চাং চহীগী মতুংইন্না (চহী ৮০দগী হেনবা, ৭০-৭৯, দাইবেটিস অমসুং থম্মোয়গী লায়না নাবা, হান্নদগী শ্বর হোনবগী অৱাবা লৈবা কাঙবু অমসুং চহী ৯গী মখা) টেবল ২দা পীরি।

| সে নং | চহীগী কাঙলূপ অমসুং লায়নাগী মখল | মী শিহনবগী চাং % |
|---|---|---|
| ১) | ≥৮০ | ১৫ |
| ২) | ৭০-৭৯ | ৮ |
| ৩) | দাইবেটিস অমসুং থম্মোয়গী লায়না নাবা, হান্নদগী শ্বর হোনবগী অৱাবা লৈবা | ৪৯ |
| ৪) | ৯ ≤ (১% লায়না থোকহনবগী চাং) | ০ |

**টেবল ২ : চাইনাদা কোরোনাভাইরসনা শোকহনখিবগী দাটা -**

হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগী অকক্লবা হীদাক লৈত্রি। লৈবাক খরদা শাশিংদা ভেক্সিন পুথোক্লবা চাংয়েং তৌবদি লৈরে। চপ চানা করম্বা মতমদা পুথোকপা ঙমগদগে হায়বা ঙমদ্রি। ইরাই নুমিৎ (৩/৪/২০২০) তা জোনস হোপসকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী অঙৱনবা রিপোর্ট অমদা মালেমগী ওইনা অপুনবা লায়না অসিনা শোকহল্লবা মীশিং অসি মিল্লিয়ন অমা হেল্লে। অদুগা অশিবা অমসুং লায়েংবদগী ফরবা মীগী মশীং অসি (অর্টিকল অসি ইবা লোইবা ফাওবদা) ৫৩,০০০ অমসুং ২,১০,০০০ হেল্লে (অল জাজিরা)। মসিনা তাকপদি লায়না অসিদগী লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্মী হায়বগী আশা অমদি লৈতবা নত্তে।

**ভাইরস অসি করম্না থিংগনি :** শম্না হায়রবদা লায়না অসি য়ূমদা পুদুনা লাক্তনবা অমসুং অতোপ্পদা শন্দোকহন্দনবা হোৎনবা নত্তনা পাম্বৈ অমফাওবা লৈতে। মরম অসিনা অখঙ অহৈশিংনা তাকপীবা কাঙলোনশিং অসি ইনবীনবা হোৎনবীয়ু। (১) য়ূমদা লেঙদনা লৈবীয়ু, (২) মপান্দগী পুরকপা মনা-মশিংশিং ঈশিং অশাবনা শেংনা চাম্বীগনি, (৩) বজারদগী হল্লকপদা শেঙ্গাও, শেল ময়েকশিং, ফিরোল, চপ্পল, খোঙউপ, পোৎ চৈ হাপ্পবা খাউ অসিনচিংবা মী অতোপ্পনা শোকলোইদবা মফমদা থম্বীগনি, (৪) বজার চৎপদা মায়খুম উপ্পীগনি, (৫) গ্রোসরি অমসুং হীদাক য়োনফম মমাঙদা মী অমগা অমগা লাপ্লবগী চাং (৩-৭ফিট) ঙাক্লা চৎপীগনি, (৬) বজারদগী হল্লকপদা খূৎ অমসুং মায় শেংনা সাপোন শীজিন্নদুনা চামথোকপীগনি, (৭) নাতোন অমসুং চিন ঙাক্লবা শীজিন্নবা মাস্ক মফম চানা লোইশিনবীগনি, (৮) নুংতিগী ষ্টিম ইনহেলেসন (২-৩ রক) অমসুং ঈশিং অশাবদা থুম থাদরগা খৌনাও তেংবা কাউবীগনু, (৯) রিছার্স অমনা ভাইরস অসিবু হাৎপদা অচাথাউ অমসুং য়ুবী থাওনা মতেং পাংই হায়রি। মরম অসিনা খূৎ অমসুং মায়দা থাও মখলশিং অসি তৈবীগনি অমসুং (১০) চাঙাং তোয়না থকপীয়ু। মসিনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টম হেনগৎহনবদা মতেং পাংই।

(লৌথোকপা : মার্কো কাসকেলা অমসুং মাগী কাঙবু, ২০২০, ফিজার্স, ইভাল্যুএসন, এন্দ ত্রিটমেন্ট কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯), স্টেট পরলস (Stat Pearls) পব্লিসিং, ত্রিজর আইসলেন্দ) ●

## মরোল থোকপা লাই



পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।